# ওলিম্পিক চেম্পিয়নশিংনা টারজানগী শক্তম লৌবা

- লৈশাংথেম অজিৎ -


রুপমহল, জোনস্টোন স্কুলগী অৰাং থংবদা লৈবা বির টিকেন্দ্রজিৎ রোদকী ৰাংমদা মমায় মখা ওনবা দ্রামা হোলনি। হোল অসিদা হাপ্তা অমগী মনুংদা থাংজ নুমিৎ খক্তদা নুমিদাংৱাইরমদা দ্রামা তৌই। অতৈ নুমিৎশিংদি সিনেমা তৌই। সিনেমা তৌবা মতমদদি হোল অসিবু ইম্ফাল টোকিজ কৌই। হোল অসি ইংলিস ফিল্ম উৎপা সিনেমা হোলনি। মমীং লৈরবা ইংলিস লোলগী ফিল্মশিং মণিপুরগী মীয়াম্না হোল অসিদা য়েংবা ফংখি। মালেমগী অহানবা অমসুং অনীশুবা লাঞ্জাওশিংগা মরী লৈননা নম্বা ইংলিস ফিল্মশিং হোল অসিদা উৎখিবশিং হৌজিক ফাওবা মীয়াম্না নীংশিংনরি। অদুবু ফিক্সনগী ওইবা ফিল্মসু হোল অসিদা উৎখি। ফিক্সনগী ফিল্মশিং অশেংবা ৰারী নত্তে, অইবা-অইবীশিংনা অপান্বা মওংদা ৰারী অমা শাগৎলগা ইখিবা ৰারীমচা, ৰারেং অমসুং দ্রামাগী লাইরিকশিং অদুদগী য়ূম্ফম ওইরগা নমখিবা ফিল্মশিং অদুনি।

ইম্ফাল টোকিজদা উৎখিবা ফিক্সনগী ফিল্মশিংগী মনুংদা অঙাংশিংনা য়াম্না পাম্নখিবদি 'টারজান' গী মরমদা নমখিবা ফিল্ম ময়াম অদুনি। ফিল্ম অসি রাইচ বোরোন্দ ইদগরনা টারজানগী পরিং নাইনা ইবা ফিক্সনগী লাইরিক্তগী দ্রামাটাইজ তৌরগা নমথোকপনি। মহাক্না অহানবদা সিরিয়েল মরি ইখি। মথং তারকপদা টারজান ওফ দি এপসনচিংবা ইদুনা অঙাং অমসুং অহলনা পাম্নবা লাইরিকশিং ওইখি অমদি মহাক্কী নোভেলশিং অসিনা য়ূম্ফম ওইরগা ফিল্ম কয়ামুক নমখ্রে।




তশেংনমক মহাক্কী লাইরিকশিংদগী ফিল্ম ২৪ তোঙান তোঙানবা ৰারীদা কুমজা ১৯১৮দগী ২০১৬ ফাওবা নমখ্রে। খ্বাইদগী থেংনা নমখিবা ফিল্মদি দি লেজেন্দ ওফ টারজান ২০১৬নি। টারজান দি এপ মেন অমসুং ফিল্ম ১১দি কুমজা ১৯৩২দগী ১৯৪৮গী মনুংদা জোনি ৱেসমুল্লরনা টারজান শাদুনা কুমখি। মহাক্কী মথংদা কুমজা ১৯৩২দা মিটর ৪০০গী ফ্রিষ্টাইলদা ওলিম্পিক্কী মকোক ওইখিবা বষ্টর ক্রেব অমসুং কুমজা ১৯৩৬কী বর্লিন গেমসতা দেকাথলোনগী মকোক ওইখিবা গ্লেন মোরিশনা হোল্লিৰুদকী ফিল্ম কুমদুনা মায় য়াম্না পাকখি। মখোয়গী মরক্তা খ্বাইদগী মায় পাকখিবদি জোনি ৱেলসমুল্লরনি।

জোনি ৱেলসমুল্লর কুমজা ১৯৩২গী ওলিম্পিক্তা মায় পাক্নবা ট্রেনিং তৌরিঙৈদা বি ভি দি কৌবা কম্পেনি অমগী অন্দর ৱায়রগী এদভর্টাইজ তৌবগী চয়োল অমদা দোল্লর ৫০০ পীগে হায়না খঙহল্লকখি। মহাক্কী ফোটো অদু হোলিৰুদনা উখিবদগী মহাকপু টারজান শানবা ফিল্ম নম্বা কাঙবুশিংনা হায়জরকখি। জোনি ৱেলসমুল্লরনা কুমজা ১৯২২গী জুলাই ৯দা ইরোইবদা মিটর ১০০গী ফ্রিষ্টাইলদা মিনট অমগী মনুংদা লোইবা ঙম্বা অহানবা নুপা ওইরমখি। চহী অনীগী মতুংদা কুমজা ১৯২৪দা মহাক্কী মিটর ১০০গী ফ্রিষ্টাইলগী রেকোর্দ অদু অমুক হন্না সেকেন্দ ৫৮.৬তগী সেকেন্দ ৫৭.৪দা থুগাইখি।




মহাক্না পেরিসতা কুমজা ১৯২৪দা পাঙথোকখিবা ওলিম্পিক গেমসতা হান্নগী ওলিম্পিক চেম্পিয়ন চহী ৩৪শুরবা দিউক কোহানমোক অমসুং মহাক্কী মনাওনুপা চহী ১৯শুরবা সামুরেলগা লম্বা তৌনরম্মী। মহাক্কী লেন (Lane) অদু মচিন মনাও অনীগী মরক্তা তারম্মী। মদুদা মহাক খরা চিংনরম্মী। লমজেল থারমদাইদা দিউক্না মঙোন্দা ওনশিল্লগা 'গুদলক জোনি' হায়না মপূক্লিং থৌগৎলম্মী। মহাক্না মখা তানা, 'লমজেল অসিগী খ্বাইদগী মরুওইবা থবক্তি অমেরিকাগী ফিরাল চিংখৎহনগদবনি, মদু ঐখোয় হোৎনসি' হায়খি । মসিমক মখোয় অহুমক্না পাঙথোকখি। দিউকনা হায়খিবদি মখোয় অহুমক ইরোইবা অদুদা পোজিসন ফংলবদি মেদল পীবগী থৌরমদা অমেরিকাগী ফিরাল অহুম চিংখৎকনি। হৌনবী মতুং ইন্না লমজেল অদুগীদমক শেম শারম্মী। হেক লমথাবগা মহাক্কী অরৈবা মপাঙ্গল মথৌনা শীজিন্নদুনা ইরোইবদা দিউক অমসুং মহাক্কী মনাওনুপা সেমুয়েলবু মথংশিংনা অনীশুবা অমসুং অহুমশুবা পোজিসন্দা মায়থীবা পীখি। মদুদা ইরোইফম পুখ্রি অদুগী অকোয়বদা লৈরিবা মীওই ৭০০০ অদুনা মিনট অনী/অহুমলোম মহাক্কী মমিং পন্দুনা মহাকপু থাগৎতুনা হন্না হন্না লাউরম্মী।

মহাক্না নুমিৎ নীনিগী মমাঙদা স্বিদেনগী অর্নি বোর্গ অমসুং ওষ্ট্রেলিয়াগী অনদ্রু 'বোয়' চার্লটনবু মিটর ৪০০গী লমজেলদা মায়থীবা পীখি। মদুদা অনীশুবা তাখিবা অর্নি বোর্গতগী ফুট মরিরোম হেনখি। মহাক য়াওবা মিনট ৪ x মিটর ২০০গী ফ্রিষ্টাইল অমসুং ৪ x মিটর ২০০গী ফ্রিষ্টাইল রিলেদা সনাগী মেদল ফংখি অমসুং ৱাটর পোলো টিমগী মেম্বর ওইনা শান্নবা য়াওখি। মদুদা অহুমশুবা পোজিসন ফংখি। ওলিম্পিক অদুদা পূন্না সনাগী মেদল অহুম, সেঞ্জেংগী অমা ফংখিবগা লোয়ননা মথংগী কুমজা ১৯২৮দা অমষ্টর্দমদা পাঙথোকখিবা ওলিম্পিক গেমসতা মিটর ১০০ অমসুং ৪ x মিটর ২০০গী ফ্রিষ্টাইল রেলেদা মকোক ওইখি। ওলিম্পিক অনী অসিদা মহাক্না পূন্না ফংখিবা মেদলদি সনাগী ৫ অমসুং সেঞ্জেংগী অমনি।




মহাকপু হোলিৰুদকী এক্টর অমা ওইনবা ফিল্ম নম্বা মীওইশিংনা চাংয়েং তৌবদা মায় পাকখি। মদুদগী ফিল্মদা 'টারজান' গী শক্তম লৌহনখি অমদি মহাক্কী অহানবা ফিল্ম টারজান, দি এপ মেন মায় পাকখি। মতৌ অসুম তৌনা মহাক অসি ওলিম্পিক্কী মেদল ফংখিবশিংগী মনুংদা (ফিল্মগী এক্টর ওইখিবা) ফিল্ম কুমখিবা মীওই মরিগী মনুংদা অহানবনি। অতোপ্পা অহুম অদুদি বষ্টর ক্রেব, হরমেন বৃক্স অমসুং গ্লেন মোরিসনি।

বষ্টর ক্রেব য়ুনিভর্সিটি ওফ সার্উর্দন কালিফোর্নিয়াগী স্নেজুয়েটনি। মহাক্না কুমজা ১৯৩২দা লোস এঞ্জেলসতা পাঙথোকখিবা ওলিম্পিক্তা মিটর ৪০০গী ফ্রিষ্টাইলদা সনাগী মেদল ফংখি। মহাক্না মরুওইবা রোল লৌদুনা কুমখিবা ফিল্মশিংদি King of Jungle, Flash Gordon অমসুং Buck Rogerge নচিংবনি। ব্রুস বেনেট হায়নসু খঙনবা হর্মেট ব্রিক্স নূংহুনবদা ওলিম্পিক্কী লুপাগী মেদল ফংখি। চহী চাম্মা হেন্না পুন্সিখিবা নুপা অসিনা কুমখিবা ফিল্ম খরদি Touch Down, Million Dollar Legs, Meet the Baron, The New Adventure of Tarzan নচিংবনি।

অতোপ্পা টারজানগী শক্তম লৌদুনা হোলিৰুদকী মীংচৎ পুরকখিবা ওলিম্পিক্কী দেকাথলোনগী চেম্পিয়ন ওইখিবা Tarzan's Revenge অমসুং Hold that Co-Ed নচিংবা ফিল্মশিংদা মরুওইবা শক্তম লৌখি অমদি অনীশুবা লাঞ্জাওদা শরুক য়াদুনা বেট্টল ওফ লেয়ট গল্ফ (Lyte Gulf) কী লানফমদা মায় পাক্না শোক্লখিবা অমদি বর্লিন ওলিম্পিক্তা দেকাথলোনগী চেম্পিয়ন ওইখিবা গ্লেন মোরিসনি।

টাইৱান, অহানবদা ফোরমোশা হায়না খঙনরম্বা চাইনাগী খানোংপোক্তা লৈবা ঈথৎ মচা অমনি। লৈবাক অসিগী সি: কে: য়াঙ হায়না খঙনবা য়াঙ-চু-অন-কৱাঙ (YANG-CHU-AN-KWANG) ঙসি ফাওবদা দেকাথলোন্দা মালেমগী রেকোর্দ থুগাইখিবা অমত্তা ঙাইরবা এসিয়া মচানি। মহাক্কী নক্নবা লম্বাদি অমেরিকাগী রেফর জোনসনি। মখোয় অনীমক য়ুনিভর্সিটি কোলেজ ওফ লোস এঞ্জেলিস অশম্বীদা য়ু সী এল এ হায়না খঙনবা মহৈতম্ফম অদুগী কোচ দক্কী দ্রেক্কী মখাদা কোচিং তৌই। রোম ওলিম্পিক (কুমজা ১৯৬০) তা মখোয় অনীমক দেকাথলোন্দা নুমিৎ নীনি চংনা অকনবা লম্বা তৌনরম্মী। অদুবু অরোইবগী তরাশুবা থৌরম অদুদা মখোয় অনীগী পোইন্ট অদু নক্ননা লৈবা মরম্না য়াম্না মরুওইবা থৌরম ওইরম্মী। মিটর ১৫০০গী লমজেলদা সি: কে য়াঙনা মকোক ওইরবসু রেফর জোনসন্না য়াম্না নক্ননা ইন্নরকপদগী মহাক্কী মতম অদু ফজবা মরম্না পোইন্ট খরা হাইগৎনা ফংখি। মমৈথংদা থৌরম তরা অদু তিনশিন্নবদা রেফর জোনসন্না পোইন্ট ৮৮৩৯ য়ৌখি। সি: কে য়াংনা পোইন্ট ৮৩৩৪ ফংদুনা অনীশুবা তাদুনা টাইৱানগী ওলিম্পিক্কী মেদল ফংবা অহানবা শান্নরোয় ওইখি। মসিদগী হেনবদি মখোয় অনী মপুন্সি চূপ্পা মরুপ ওইখিবা অদুনি। ●

# মিদিয়াসি তরাইনা হেক লৌবসু ময়াদ্রি

-অমরজিৎ খঙেম্বম-

মণিপুরদা পাল্লিবা লৈঙাক অসি চহি ৩ মপূং ফাদ্রিঙৈ মনুং অসিদা লৈঙাক পায়রিবা পার্টি অসিগী মনুংদা অপেন-পেন্দা খরা লৈবগী লৈঙাক মনুং অসিদা মত খেন্নরকপগী ঈরাং অমা লৈরে হায়বসি অশেংবনি। হান্না পার্টি মনুংদা লৈনরম্বা ঈরাং মপান থোক্লক্তুনা হৌজিক লৈবাক মীয়াম লোয়না তানদবা লৈত্রে। অদুগী মথক্তা বি জে পিগী মচীন চৎপা মিনিষ্টর অমনা হৌজিক ওইরিবা সী এম অসি শিন্দোক্লবগী বি জে পিগী এম এল এ ২১ লৈবগী মনুংদা এম এল এ ১৭না খূৎয়েক পীদুনা বি জে পি হায় কম্মান্দা ৱাকৎখিবা লৈরে হায়না ফোঙদোকখি।

লোয়ননা দিল্লিদা চত্তুনা সী এম শিনবা পান্বা এম এল এ মিনিষ্টর খরা কেম্প তৌরুরে। সী এম বিরেনগী মথক্তা য়ানিংদবা ৱাফম, মীয়ামদদি হায়দোক্তবা ময়াম অমা থাঙ্গত্তুনা নেসনল লিদর অয়াম্বা লোয়না উন্নদুনা তাকশিনখিবসু য়াওখ্রবনি। মতাংসিদা আর বি আইনা মণিপুর ওভরদ্রাফ্ট তারে হায়না লাওরকপদগী সী এমনা ফাইনান্সকী পোর্টফোলিও পায়রিবা দেপ্যুতি সী এম দগী ফাইনান্স অমদি মিনিষ্টর বিস্বর্জিৎনা পায়রম্বা ৱার্কস, পাৱরনা ইলেক্সন কোদ ওফ কন্দক্ট মনুংদা শেল য়াম্না কায়থোকখি হায়বগী সী এম গী পাৱরদা মখোয়দগী লৌথোক্লগা সী এম মশামক্না লোয়না পায়শিনখিবনি।

লোয়ননা দিল্লিদা চত্তুনা সেন্ট্রেল লিদরশিং গ্রুপ অনী থোক্তুনা উনখি। সেন্ট্রেল লিদরশিংনসু মাগী মাগী অপাম্বা তোঙান তোঙান উন্নখ্রসু ৱারোইশিন্দি পীরকখিদে। লৈবাক অসিগী সী এম শিনবগী ইন্সুরেন্স পীরকপসু লৈখিদে। পূম্নমক মিনিষ্টর এম এল এশিং মথং মথং হন্নরকপদা বি জে পিগী ৰঙাঙলোয় ওইরিবা মিনিষ্টর অমনা মিদিয়ানা পাউ পঙফোঙদা ফোঙদুনা পোলিটিক্স তৌজরিবা মখোয়দা চমম্নহল্লে হায়বসিমক্তি মিদিয়াগী থৌদাং করিনো খঙদবা ওইনা উবিবদি ফত্তে। অদুগা অনীশুবা টর্মগী গভর্ণমেন্ট শেম্বদা ঙায়রিবনা মাগী মাগী য়ুনিয়ন মিনিষ্টরশিং উনরুবা হায়বসিদি লৈবাক্কীদমক্তনি হায়বদা চুম্লবা ৱফম্নি। অদুগা মিনিষ্টর অয়াম্বা দিল্লিদা কেম্প তৌদুনা লৈখ্রে হায়না মিদিয়ানা ফোঙখিবা পাউ অমবু অরানবনি হায়খিবদু মতমদুদা এম এল এ মিনিষ্টর কয়া শ্বাইদা লৈহৌরি হায়বা পাউমীদি ঙাইবীখো মীয়াম্না লোয়না খঙনরবা ৱাফম্নি।

লৈবাক অসিগী অচৌবা থৌদাং লৌরিবা অমদি লৈবাক অসিগী লো মেকর ওইরিবা লুচিংবশিংনা লৈবাক মীয়াম অমদি মিদিয়াবু তরাইনা লৌবদি অচুম্বনি হায়নিংদে। অদোম অদোম্না ঙসি লৈবাক্কি লুচিংবা ওইদুনা অফবা থবক থৌরম কয়া মীয়ামদা মিৎ নকোং ওইহল্লিবা কয়া অসি মিদিয়াগী অচৌবা রোল অমা য়াওরি হায়বা কাউথোকপা লাইবক থীবনি। হৌখিবা কুমজা ২০১৬কী ওক্তোবর থাদা পুলিস কোন্সটেবল লৌবগী ঈহৌদা এম এল এ অমা ওইনা সপোর্ট তৌখিবগীদমক পুলিসনা ফাখিবা মতমদুদা অদোমগী থৌনা লৈবাক শিনবা থুংনা খঙহনখিবদু মিদিয়াগী চাউরবা রোল অমনি। মীচম অমনা ঙাঙবা ৱাদি মীয়াম্না থোইনা লৌনদে, লৈবাক্কী লুচিংবা অমনা ঙাঙবা ৱাদি লৈবাক শিনবা থুংনা খঙনরিবনি অদুনা লুচিংবা অমনা ৱা ঙাঙবা হায়বসি য়াম্না চেকশীন্নিঙাইনি। মীয়াম লৈবগী লৈঙাক লৈবনি, মিদিয়া লৈবনি, লৈঙাক্কী পোলিটিকেল ফিগরদা মিদিয়ানা পাউ ফোঙবগী থোইদোক্লা কায়দব্রা হায়না খল্লি । লৈঙাক্কী লো মেকর অমগী অফবা-ফত্তবা, লনাই ইমুং মনুংগী অফবা অমদি ফত্তবা পাউ ফোঙখিবদি নত্তে। হৌখ্রবা মমাংগী মিদিয়ানা ফোঙখিবা ঈ-পাউনা য়ুম্ফম ওইরগা হোজিক্কি লৈঙাক্লা মদুগী অফবা ফত্তবা নৈনদুনা অচুম্বা লম্বী মীয়ামগী অপাম্বা অদু খঙনা থবক পাঙথোকপদা মিৎ নকোং ওইহল্লি হায়জনীংই।

লৈবাক অমগী সী এম শিন্দোকপা হায়বসিদি রুলিং পার্টি অদুগী অপাম্বগী মখা পোল্লি। ইমুং অমদা লৈমিন্নরবদি অপেন-পেন্দা খরা শোইদনা লৈফম থোকই অদুনা সী এম শিনবা পাম্বগী সেন্টরদা প্রেসর পিরুরে হায়বসিদি ময়েক শেংলে। অদুনা সী এম য়াবা কাঙবু অমা, সী এম য়াদবা কাঙবু অমা অনী থোক্লকপা তাবনি। মসি বি জে পি মনুংদগী থোক্লকপা অমদি ওইরকপা ফীভম অসি মীয়ামদা মিদীয়না পাউ ফোঙখিবনি। মসিদা সী এম শিনবা পাম্বগী মথক্তা বি জে পি নাকপাক তারে হায়বসু হায়নীংদবা ৱাফম অমসু পল্লি। মীয়াম্না মিদিয়না খল্লিবা অসি হায়হন্নীংদবা লৈরগদি চিংনবা অসি কোক্নবা মীয়াম মমাংদা পুন্না চৎমিন্নরি হায়বগী মমাংঙৈ নুংশিননা লেঙ্গোমিন্নরগা নমখিবা ফোতো অমা নম্মিন্নবা ঙমদ্রিবনা করিগীনো। লৈবাক মীয়ামগী চমম্নবা কোহনবা হায়বসি লৈঙাক অসিগী মথৌ তাদব্রা। লৈবাক্কী ওইনা লুরবা তানফম ওভরদ্রফ্ট তারে হায়বদগী খুদক্তা সী এম মশমক্না য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ময়াম অমা মথং মথং উন্নখিবদু লমদম অসিগী মিনিষ্টর অতৈ অমতা য়াওখিদব্রা কৈনো। লৈবাক অসিগী শেল থুমগী অৱবা ক্রাইসিস মরক্তুদা ফমগীদমক লোবী তৌনখিবা অদুসু মীয়ামগী ইন্টরেষ্টতি নৎখিদে। ওভরদ্রাফ্ট তাখীবদু সী এম মতোমতগী থৌদাংনি হায়না খনবসু চুমদে।

লৈঙাক পায়মিন্নরিবা মরক্তা মত মান্নদবা ফীভম অমা ওইরকপা হায়বসিমসু লাইবক থীবনি। আ... মোইগী চৌকীদার মকোক্তুনা হৌদোংনা ঙা চাবা য়েংঙু হায়বদি, ঙা চাদনবা শেন্নৌ হায়রগা ঙাদু চৌকীদার নোই য়াওনা পুলপ চমিন্নদুনা লৈরিঙৈদা মনাক নকপা আর বি আইনা উরকপদগী লাওরকপদু খংপ্রেক খংলগা মানা চাবনি, মানা চাবনি, মানা হেন্না চাবনি, মানা হেন্না খোপচিনখিবনি হায়না তাইশিন্নদুনা আ..দা চৎখ্রগা লৈমিন্নবা ফাওবা মণিপুর ভবন্দা পূন্না লৈখদে হায়রি। অদুবু মীগী শিংখ্রবা ইন্দিয়াসে সুপ্লাই পায়সিনগে খল্লিবা চৌকিদার অচৌবদুনা মৰা অমতা লৌবীদে অদুবু মবুক লাওবা মচাশিংনি খঙজে। অদুনা মপা কৌবনিনা ঙাদো অমুক শোয়দনা শিংলনি হায়রকপা মাল্লি। কোন্নগীনা কোন্না থোকপা হায়দুনি। অদুনা হৌজিক লোয়না ময়ূম-ময়ূমদা হল্লকখ্রে সেন্ট্রেল লিডর শোইদনা লাক্লগা ৱায়েল্লনি হায়রক মাল্লি। লৈবাক অসিগী খ্বাইদৈ অচৌবা থৌদাং লৌরিবসি সী এমনি। সী এম ওইরবসু মিনিষ্টর, এম এল এ কাম্থোক্লগা সী এমনা মনিং মখা তম্না পংতৌ তৌবসু অফবা নত্তে। খুদিংমক সী এমনা পৱার তৌরগা হেক্তা য়াবসু নত্তে। চহি অনী অহুমসিদা লমদমসিদা অনৌবা অচৌবা প্রোজেক্ট অমতা পায়খৎপা ঙমদ্রসু পাল্লিবা গভর্ণমেন্ট অসিগী শিংথনিংঙাই ওইবা থবক কয়া পায়খৎপদি লৈ।

অনৌবা খরদং পাল্লবদা চীং অমদি তম অনীগী মরী ফগৎলকপা, লো এন্দ ওর্দরগী অহোংবা লৈরকপা, সী এমগী মীয়ামগী নুমীৎ, হিল লিডর্স দে, গো টু ভিলেজ, গো টু স্কুল, বন্দ ব্লোকেদ লৈরক্তবা, সী এমগী হকশেলগী তেংবাঙনচিংবসি শিংথনিংঙাইনি। ময়ামগা নক্নবা হকথেংননা মীয়ামগা মরী থম্বা কয়া অসি অফবা খোঙথাং অমনি। চীংদগী লাকখিবা মী অমনা নোংমা হায়রম্বা ৱাফম অমা নীংশিংলকই "হৌজিক্তি শিরবসু য়ারে অসুক কুইরবা মতম অসিদা নোংমতা ওইরসু সী এমগী বঙ্গলোদা খোঙ্গুল তাবা ফংজবসে অসিদগী হেনবা অতৈ অমতা লৈত্রে" অসিনি হায়রম্বদু। মহাক্কি ৱা খক্তা নত্তে চীং-তম অনীগী চমজরবা লায়রা-অনং মীচম কয়া অমা লাক্তুনা উন্নবা ফংজবসি হরাওফম থোকপা নৎত্রো। মসি পূম্নমক হোজিক পাল্লিবা বি জে পি লৈঙাক অসিগী ক্রেদিটনি। চহি মঙা মপূং ফাদ্রিঙৈ মরকসিদা লুচিংবা শিন্দোকপগী হৌরক্লিবা ঈরাং অসি খরা ফজবদি ৱাৎপগুম খল্লি। অদুগা লুরিবদি মিনিষ্টরশিংনা মানা মানা তৌনিংবতা পঙতৌ তৌবা অমা হেক হেক উবদৌনা তৌই। মসিনা এম এল এ খরদা ৱরৌনবগী ফীভম অমা ওইরক্তবসু নত্তে। পূম্নমক লৈবাক অসি ঙাক্লিবা ঐখোয় চপ মান্নবনি হায়বা মিনিষ্টর খুদিংমক্না খনবা মথৌ তাই। লৈঙাক শেম্বা হায়বসি নম্বর গেম হায়বা অমসু লৈ। এম এল এ অমা হেনবদা লৈঙাক হেক্তা শেমদৌরিনি অদুনা মিনিষ্টর লোয়না পীবা য়াদবনিনা এল এল এ অদুবুসু মিনিষ্টর খুদিংমক্না চপ মান্নবা মীৎয়েং মথৌ তাই। মসি ওইবা তারগদি ফমগীদমক থোয়দোক্তে হায়রকপসু য়ারিপোৎনি। ঐনা মিনিষ্টরনি ঐনা তৌনিং তৌনিংবা তৌনি হায়বনদি কুইনা চৎলোই, লৈঙাক্তা শোয়দনা ক্রেক চৎলকপা তাবনি। মরুওইনা লৈঙাক অমগী মনুংদা থোক্লিবা ক্রাইসিস খুদিংমক ফম অমদি পৱার মুন্নবনা অয়াম্বা ওইরকপনি হায়জনীংই। অদুগা মিদিয়ানা অমগা অমগগী মরক্তা পাউ ফোঙদোক্লহনবা ঙম্বা খ্বাইদৈ মরুওইবা অমদি দেমোক্রেসি চৎপা লৈঙাক্তনা হেন্না মরুওইখ্রবা তাঙলবা খুৎলায় অমনি হায়জনিংই। ●

# এদিটরদা থারকপা ৱাকৎ, মীয়ামগী খোল্লাউ, পাউদম অমসুং অতৈ-অতৈ

## নম্ফু হাফুগী থবক ময়াম অমা নৎত্রবসু

ঈকায় খুম্নজরিবা এদিটর,

উহৈ-ৱাহৈ, মসিগা লোয়ননা থাবা য়াবা উপাল-ৱাপাল মশীং লাকঙমদনা ঙসিগী মীরোলসিনা থাবদা মথংগী মীরোলনা করিগীদি শাথিবা নুংশাগী মৈশা লাংগনি। উরুম-ৱারুম অমা ফাওবা লৈতবা হায়বসি হিংলিবা তাইবঙ মীওইবা ঐখোয়দদি পেঞ্জদবা অমদি অদুমক লৈরবনি। মরক অমা লুহোংগদৌরিবী কন্যা অদুনা উ পাম্বী অমা থাবগী পাউচেদা থেংনখিবা ফৈদা হায়না থম্মোয়দা খল্লম্বা পূম্নমক মখা তাবা ওইনা চেক-মুক লাউদনা উ তিংবগুম লৈখিবা মসিনা ফজনা খল্লম্বদগী তোকখিগদৌবা অমা ওইনা উরবনি। লুহোংগদৌরিবা কন্যা অদুনা পামজবা উ চারা অমা খঞ্জরগা পোকফম চাফম ওইজরিবা মপাম লমদম লমনুংশিংগী মচি অমদা থাবদা নোংমদি চাউবা শারেপ ফাদুনা উহৈগী পাম্বী ওইরগনা পান্দবা লৈরোইদৌরিবনি। লুহোংগদৌরিবী নুপী ওইবীদুনা উ পাম্বী অমতং থারম্বা হায়বসি ফজখ্রবা, নীংথিখ্রবা থৌদোকনি হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই।

ঙম্নমক মসিদি চৎনবী অমা ওইনা চৎনহনবদা ফৈদকো-ফৈদকো হায়গদবা মীওই কয়া অমা শোয়দনা থোরক্কদৌরিবনি। ঙা থোংবা হাওতে হায়গদবা মীওইসি মশীং পংয়াম য়ামগদবা ওইররোই। হাওবনিদা হায়বা মীওইনা মশীং শোয়দনা হেল্লগদবনি। ফত্তবদা ফৈদা হায়গদবা মীওই মশীং পংয়াম য়ামগদবা মান্দ্রবনি। ফত্তেদা হায়না হায়গদৌরিবা মীওইদুমক্তি ক্বাক্কী মচু মুরিবা অসি ফাওবা ঙৌইদা হায়রক্কদৌরিবনি। মসিগুম্বসিদি করি-করিগুম্বদা মরৈ ওইনা লৈদৌরবনি। নাতৈ পুতৈ চাদনা অদুনি-অদানি হায়রিবা মীওইশিংসিদা ময়ূমদা ফাওবা করিনো অমদি অদুমক তৌরম্লগদবনি। মতাং চারবদি শিদ্রুখাক-শিগৈজনগী মিংথোল ফংদৌরিবনি। কুইবু কুইরক্লবা মী অমা ওইনা শারোই-ঙারোইদৌনা তৌদৌরিবনি।

লৈত্রবসু লৈবা মানবা ঐখোয়গী ফুরুপসিনা তুংদা করি থোক্লক্কদৌরিবা? তুংগী মীরোলনা করি ওইহৌদৌরিবা, মসিমক খনবসিবু ইরমদম লমদমসিদা মীগী মশীং কয়া য়াম্লমগদগে? মীওই খুদিংমক শূদনা নুংঙাইনীংবা ঙম্নমক মশীং য়ামখৎলকপনা তাথবা কৌবা লৈরোইদৌরি। মথায় থায়নগী চৎনবীনি হায়দে তৌরুবদা মরিং মরাংবা থবক্তি চোম্লপ-চোম্লপ থাদোকপনা অফবা হায়বদু ওইদৌরিবনি।

উগী খুরুম তোংলিঙৈ, কাঙকোটনা ফি শূরিঙৈ, তুবাগী মকুনা কুদাম পাল্লিঙৈ, ইরুজবা লোইরগা হৈবী তৈরিঙৈ মতমদু পামইদা হায়দুনা তৌরুবা য়াবা নত্তে। মতমসিনা মতম মতমগী ওইবা অওনবা কয়া অমা অদুমক পুরক্লি। মসি থাজদবা য়াবা নত্তে। মীনা চিক্লা-ৱাইনা ঙম্নদ্রবা হৌজিক্কী মতমসিদা করম্বা মফমদা, কদাইৱাইদা খুলগী শঞ্জাবুং, কৈরোই লৈকায়গী ওইবা লম্পাক কদায়দা লৈরি? পূম্নমক মাঙখিবনা মশীং অয়াম্বনি। চহী খরগী মতুংদদি লমদমসিদা লৈরিবা মীওইসি ফাওবা লৈফম লৈত্রদুনা অৱাবা হায়বদু শোয়দনা মায়োক্লগদৌরিবনি। মতম অমগী ময়াই কাবা চিঞ্জাক্তা মমিং ফনা নিংথিজনা চৎনরম্বা য়ু, গঞ্জা, কানি মখোয়গী মহুত্তা শিনবা ঙম্বা ময়াই কাবা চিঞ্জাক কয়া অমা থোরক্তুনা মহুৎ শিনখিবা মসিনা মরম ওইরগা কুইনা মতম শাংনা হিংবা য়াবা ইনখৎলক্লিবা নহা কয়া মনুং মতম চাদনা তাইবঙ চেঙজেল লোইদুনা অমঙ য়াইথোঙ কুমখিবা মতমসিগী য়ক লাউবা চৎনবী নত্তে করম হায়গনি।

মীওইবা ফুরুপসিনা লৈরিবমখৈ থিংনা-থিংনা অদুমক মতোন চোংখৎলক্কদৌরিবা ময়াই কাবা চিঞ্জাক্কী মথেলদা য়াওরিবা পোৎনি। হন্দক মরক নোং খরা তাখি, নোংসিনা মালেমদা হেক তারকপদা ঈশিং হায়বদু অদুমক ওল্লবনি। হৈথোই শিংথোইবা কনা কনাগুম্বদি নোংগী ঈশিং মাঙহন্দনা চেকশিন্না হোৎনবসু য়াওদবা নত্তে। পূম্নমক চেকশিনবসিনা হিংনবগী লম্বীদদি খ্বাইদগী অফবা ওইদৌরিবনি। মতম অমগী ৱাখল লৈরবা অহলশিংনা নোং ফজনা তারকপা মতমদা ফি অঙৌবা অফবা অমনা মায়কৈ মরি উচুক য়ুংলগা ফি অঙৌবদুগী মচিন মতোন্দুগা য়ুংলিবা উচুক অদুগা পান্ননা পুল্লগা ময়ায়দা ফজনা চামথোক্লবা নূং অমা থম্লগা মপা অদুমক্তদা ঈশিং য়ানবগী পাত্র অমা থম্লগা অফবা ঈশিং লৌবগী হৈনবী লৈরম্মী। মদুগী ঈশিংদু লুদে-ফত্তে করম হায়গনি? হিংনা হিংনবা মথেল কয়া অমা লৈরমদে হায়বা য়াবা নত্তে।

নোংঙাল্লে খঙনবা চরোইনা তেতু খোঙলকপা, ক্বাক্লা লানবাও চেল্লকপা কদায়দা করম তৌনা মাঙখিবা খন্থরুবদা অহোংবা অমদি ওইরে। খল্লুবা নত্তনা করিদি পাম্বে লৈরি? পাম্বে লৈতে। শাবী-শানৌ অনীগী নুংশি মরী হেন্নবা অঙৌবা চেদা নুংশি ৱাহৈ কয়ানা নিংথিজনা ফজনা লৈশি লৈথোনবা অদুগুম্বা নুংশি চিঠি অদুমদি হৌজিক্কী মোবাইল ফোননা মহুৎ শিনখিদুনা মাঙখ্রেবু হায়বা য়ারিবনি। খুদোংচাবা ময়াম অমা ফংবসি হৌজিক্কী শাবী-শানৌনা হেল্লি হায়বদা অচুম্বা হায়বদু ওইরগনি।

মতম অমদা সরক মপান্দা খোংনাং পাম্বী কয়া অমা থারম্বা মতমদুগী মীওইশিংদু শিংদে, হৈতে করম হায়গনি? লাইওইখ্রবা অহলশিংনা থারম্বা খোংনাং পাম্বী কয়া মশা মথন্তা তুজখিবা কয়া অমা, লম্বী শেম্বদা লম্বী ময়ায়দা তাবগী/লৈবগী য়ান্থৎখিবা কয়া পূম্নমক মমিংতা ওইনা লৈদৌরিব্রা করিনো? য়ান্থৎপগা থাজিনবগা অনীসি থাজিনবনা হেল্লবা উমং কোকথোকপগী পেঞ্জদবা লৈরমগদবা লৈরোইদৌরিবনি। মাঙলমচৎকী মীরোলসিনা তুংগী মীরোলগীদমক খনদে হায়বদি লানগদৌরিবনি। মাংলমচৎকী চৎনবী ময়াম অমা লৈরম্লবসু খ্বাইদগী ফজবা চৎনবী অমনা অমগা অমগা থকসি-খাসি লৈনা, হৌন-লোনচৎ মশক খঙনা, মীকৌ-মীরম ফজনা তুং-মাং খঙনা, মনেম-মকু, মতৈ, মনাওনুপা-নুপী অমা ওইবগী কল্লবা লিচিং অমনা খাঙগদবনি খন্দুনা... মসিমক ঙসিগী মীরোলসিনা তমজবা য়ারবনি। অশোয়বনা অহাংবা লৈত্রবা হৌজিকপু করি তৌবা তারিবগে? খেন্নবদি অদুমক লৈরবনি।

*অদোমগী - হেমজিৎ ইরোম্বা*
*খুরাই লাইৱাংবা মমাঙ, ইম্ফাল*

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।